# য়ুক্রেনগী হেল্থক্যেরদা রসিয়াগী ফোর্সশিং এটেক্ট ২০০ হেন্না চথখিবগী মতাংদা থিজিনগদবনি: দব্লিয়ুঐচও



কিভ, এপ্রিল ১৮ (এজেন্সী):

হৌখিবা ফেব্রুৱারী ২৪ দা রসিয়ানা য়ুক্রেনদা লান্দাবা হৌখিবদগী রসিয়ন ফোর্সশিংনা য়ুক্রেনগী হেল্থক্যেরদা নোংমদা এটেক্ট অহুমগী চাংদা হৌজিক ফাওবদা এটেক্ট ২২৬ চথখ্রে হায়রদুনা ৱার্ল্ড হেল্থ ওর্গনাইজেসন (দব্লিয়ুঐচও) না হিরম অসিগী মতাংদা থিজিন্নবা আপিল তৌখ্রে।

দব্লিয়ুঐচওগী য়ুরোপকী ওইবা রিজনেল দিরেক্তর হান্স ক্লুসগী মতুং ইন্না রসিয়ন ফোর্সশিংনা য়ুক্রেনগী হেল্থক্যের ফেসিলিটিশিং অমসুং এম্বুলেন্সশিংদা চথখিবা এটেক্টশিংদা য়ামদ্রবদা মীওই ৭৫ শিখ্রে অমসুং মীওই ৪৯ না অশোক অপন নঙখ্রে।

মসিগী মথক্তা এটেক্টশিং অদুনা য়ুক্রেনগী মেদিকেল ইনফ্রাষ্ট্রকচর চাওনা মাঙহন তাকহনখি অমসুং মফম কয়াদা হেল্থক্যের সার্ভিসতা শাথিনা চৈথেং পীখি।

লৈবাকপোকপা নুমিৎতা ক্লুসনা ষ্টেটমেন্ট অমদা হায়খি, মদুদি চহী অসিদা দব্লিয়ুঐচওনা ভেরিফাই তৌরবা মালেমগী হেল্থক্যেরদা চথখিবা এটেক্ট পুম্নমক্কী শরুক অহুম থোকপগী অনীদি য়ুক্রেনদা থোকখি।

মহাক্না ৱাফম অসি লানগী চৈথেং নঙলবা লৈবাক অদুদা চৎপা চহী অসিগী ওইনা অহুন্নকশুবা মহাক্কী খোঙচৎতা ফোঙদোকখিবনি।

ক্লুসনা মখা তানা হায়খি, মদুদি এটেক্টশিং অসি অচুম্বা খোঙথাং অমত্তা নত্তে। এটেক্ট পুম্নমক থিজিনবা মথৌ তাই। অসুম্না জষ্টিসকী ৱাফম য়াওদনা অমসুং হন্না তুন্না য়েংদনা হেল্থক্যের ফেসিলিটিশিংদা এটেক্ট তৌবা হায়বসি কখোকপগা লোয়ননা থবক তৌরিবা মালেম পুম্বগী হেল্থক্যের ৱার্করশিংদা ইকায়বা পীবনি।

হেল্থকী প্রোফেস্নেলশিংবু অকি অখঙ লৈতনা মথৌ পাঙথোকপা ঙমহনগদবনি হায়না পল্লদুনা ক্লুসনা হায়, তুংদা অসিগুম্বা এটেক্টশিংগা মরী লৈননা চথরক্কদবা ইনভেষ্টিগেসনশিংদা দব্লিয়ুঐচওনা মতেং পাঙগনি।

রসিয়ন ফোর্সশিংনা চথরিবা এটেক্টশিং অদুনা য়ুক্রেনদা অঙাংশিং য়াওনা মীচম লিশিং কয়া শিহনখ্রে অমসুং অতৈ লিশিং কয়া অশোক অপন নঙহল্লে হায়না রসিয়ানা য়ুক্রেনদা লান্দাবা নুমিৎ ৮৩ নি শুরকপদা দব্লিয়ুঐচওগী রিজনেল দিরেক্তর অসিনা ফোঙদোকখি।

য়ুক্রেনদা লৈরিবা দব্লিয়ুঐচওগী রিপ্রজেন্টটিব জার্নো হাবিসনা হায়, এটেক্ট চথখিবা হেল্থক্যের ফেসিলিটিশিং অমসুং এম্বুলেন্সশিং অদুনা কুমজা ২০২১ দা থা খুদিংগী য়ুক্রেনিয়ন মিলিয়ন অমগী শরুক মরি থোকপগী অমা সর্ভ তৌখি।

রসিয়ন এটেক্টশিং অদুনা য়ুক্রেনগী হেল্থক্যেরদা চাওনা চৈথেং পীরি। মখা তানা অসিগুম্বা এটেক্টশিং চথবা হায়বসি য়াফম থোক্তে। অসিগুম্বা এটেক্টশিং মখা তানা চথবা য়াবগী মরম অমত্তা লৈতে হায়না মহাক্না মখা তাখি।


য়ুক্রেনগী হেল্থ সিষ্টেম সপোর্ট তৌনবা দব্লিয়ুঐচওনা খোঙথাং কয়া মরুম লৌখৎলে হায়নসু হাবিসনা ফোঙদোকখি।

মহাক্না হায়খি, মদুদি হৌখিবা ফেব্রুৱারীদগী হৌজিক ফাওবদা লানগী অকনবা চৈথেং নঙলবা মফমশিংদা গ্লোবেল হেল্থ এজেন্সি অসিনা মেদিকেল সপ্লাই মেট্রিক টন ৫০০ হেন্না পীখ্রে। হিদাক লাংথকশিং এম্বুলেন্সশিং অমসুং ইলেক্ত্রিক জেনরেটরশিং য়াওবা সপ্লাইশিং অদুগী চাদ ৫০ হেন্না ট্রোমা ইঞ্জুলি ক্যেরগা মরী লৈননা শীজিন্নগনি।

ক্রোনিক লায়না চেল্লবা মীওইশিং লায়েংবদা দব্লিয়ুঐচওনা মেদিকেল কিটশিং পীরি অমসুং কিট অমনা মীওই লিশিং কয়া থা অহুম লায়েংবা য়াই। য়ুক্রেনগী হেল্থক্যের ৱার্করশিংনা কখোকপগা লোয়ননা হোৎনরিবা অদুবু থাগৎলদুনা ক্লুসনা হায়খি, মদুদি লান হৌখিবদগী হনবা লৈতবা থৌনা অমদি কখোকপগা লোয়ননা হোৎনরক্লিবদুনা মালেম পুম্বগী হেল্থক্যের ৱার্করশিংদা ইন্সপিরেসন পীরগনি।

লান নঙলবা লৈবাক অদুগী হেল্থ সিষ্টেমগী ফিভম অদুক্কী মতিক থম্মোয় শোক্লিংঙাইনি হায়বা ৱাফমসু মহাক্না ফোঙদোকখি। ক্রোনিক লায়না চেনবা মীওই অহুমগী মনুংদা অমনা হিদাক লাংথক্কী খুদোংচাবা ফঙনবা হোৎনবদা অৱাবা কয়া মায়োক্নবগা লোয়ননা লৈবাক অদুনা হৌজিক হেল্থকা মরী লৈননা শাথিরবা শিংনবশিং মায়োক্নরি। লৈবাক অদুগী ট্যুবরকোলোসিস কেস অহুমগী মনুংদা অমদি মল্টি দ্রগ রেজিষ্টেন্স ওইরে অমসুং পোলিও অমসুং মিজলসকী ভেক্সিন কোভরেজসু রিকমেন্দ তৌবা চাদ ৯৫ গী চাংদগী য়াম্না হন্থরি হায়না ক্লুসনা মখা তাখি।

# পাকিস্তানগী শেল থুমগী ফিভম ষ্টেবল ওইহন্নবা গভর্নমেন্টনা মীয়াম্না পাম্লোইদবা ৱারেপ কয়া লৌগদৌরি



ইস্লামাবাদ, মে ১৮ (এজেন্সী):

পাকিস্তানদা শেল থুমগী ফিভম কা হেন্না শোকচিল্লকপদগী লাক্লিবা লৈবাক অদুগী ক্রাইসিস অদু হকথেংননা মায়োক্নবা ঙম্নবগী পান্দমগা লোয়ননা সেহবাজ সারিফনা লুচিংবা গভর্নমেন্টনা মীয়াম্না পাম্নরোইদবা অকনবা ৱারেপ কয়া লৌরকপা য়াই হায়রি।

ইস্লামাবাদতা লৈবা পিএমগী রেসিদেন্সতা পাঙথোকখিবা কোলিসন পার্টনরশিং য়াওবা মরু ওইবা মীফম অদুদা লৈবাক অদুগী শেল থুমগী ক্রাইসিস কোকহন্নবা মীয়ামগী মায়োক্তা ওইগদবা ৱারেপশিং য়াওনা অকনবা ৱারেপ কয়া লৌবগী ৱাফম য়ান্নখিবনি।

মীফম অদুদা প্রাইম মিনিষ্টর সারিফনা হৌজিক লৈরিবা লৈবাক অদুগী শেল থুমগী ফিভম কোলিসন পার্টনরশিংগী মকোকশিংদা তমদুনা খঙহনখি। মহাক্না ক্রাইসিস অদু মমাঙগী ইমরান খান গভর্নমেন্ট অমসুং মহাক্কী অশোয়বা ফাইনান্সিএল পোলিসিশিংনা থোকহনবনি হায়না ফোঙদোকখি। মীফম অদুদা এসেমব্লিশিং মুথৎপা অমসুং ক্যের টেক্কর গভর্নমেন্ট লৈহন্দুনা লৈবাক অদুদা মীখল ঙন্না পাঙথোকপা য়াওনা তোঙান তোঙানবা ওপসন কয়া খন্নখি।

মীফম অদুনা মত অমত্তা ওইনা য়ান্নখিবা ৱাফম অমদি মমাঙগী গভর্নমেন্টগী অশোয়বা ফাইনান্সিএল পোলিসিশিং হৌজিক লৈরিবা কোলিসন গভর্নমেন্টনা মখা তানা চৎনহনবা তারবদি মদুনা পোলিটিকেল পার্টিশিংগী পোজিসনদা চাওনা অকায়বা থোকহল্লক্কনি হায়বসিনি।

ইমরান খানগী গভর্নমেন্টগী অশোয়বা শেল থুমগী পোলিসিশিং অদু মখা তানা চৎনহনবা তারবদি লৈবাক অদুগী শেল থুমগী ক্রাইসিস অদু হেন্না লুশিলহন্দুনা পাকিস্তানবু বেঙ্করপ্ট ওইহনবগা লোয়ননা লৈবাক অদুদা শ্রীলঙ্কাগা মান্নবা ফিভম অমা শোয়দনা লাকহনগনি হায়বা ৱাফম অসি কোলিসন পার্টনরশিংনা য়ান্নখি।

হৌজিক মপুং ফানা ফেল ওইবগী ফিভমদা লাক্লবা লৈবাক অদুগী ইকনোমিক ষ্টেবল ওইহন্নবা অতৈ অকনবা ৱারেপ কয়া থৌনা লৈনা লৌবা মথৌ তারকপা য়াই হায়বা ৱাফম অসিবু য়ান্নবগা লোয়ননা মীফম অদুনা করিগুম্বা গভর্নমেন্টনা এসেমব্লিশিং মুথৎপা পামদ্রবদি করি করি ওপসনশিং য়েংবা য়াবগে হায়বগী মতাংদসু খন্নখি।

কোলিসন পার্টিশিংগী মকোকশিংনা মখোয় সারিফপু মপুং ফানা শৌগৎকনি অমদি পাকিস্তানবু হৌজিক লৈরিবা শেল থুমগী অৱাবা ফিভমদগী কোকহন্নবগী পান্দমদা গভর্নমেন্টনা মীয়ামগী মায়োক্তা ওইরকপা য়াবা অকনবা ৱারেপ কয়া লৌরকপদা মখোয়না গভর্নমেন্টবু মপুং ফানা শৌগৎতুনা খোঙফম চেংনা লেপকনি হায়নসু ফোঙদোকখি।

# টালিবানননা অফঘানিষ্টানদা লৈরিবা য়ুএনগী নুপী ষ্টাফতা হিজাব শীজিন্নবা ওর্দর তৌখ্রে



কাবুল, মে ১৮ (এজেন্সী):

টালিবানননা লুচিংবা গভর্নমেন্টনা য়ুএন এসিষ্টেন্স মিশন ইন অফঘানিষ্টান (য়ুএনএএমএ)গী নুপী ষ্টাফ মেম্বরশিংদা হিজাব শীজিন্নবা ওর্দর তৌখ্রে।

দিরেক্তিব অদু মিনিষ্ট্রি ফোর প্রোপেগেসন ওফ ভার্চু এন্দ প্রিভেন্সন ওফ ভাইসনা ইস্যু তৌখিবনি হায়না খামা প্রেসকী রিপোর্টনা হায়রি।

য়ুএনএএমএগী ষ্টেটমেন্ট অমগী মতুং ইন্না মিনিষ্ট্রি অদুগী টালিবান ওফিসিএলশিংগী ওইবা দেলিগেসন অমনা নুপী এমপ্লোয়িশিংনা মখোয়গী দ্যুটিদা রিপোর্ট তৌবদা হিজাব শীজিন্নবগী ৱাফম খন্নগদবনি।

নুপী ষ্টাফ মেম্বরশিংনা হিজাব শীজিন্নে নত্ত্রগা শীজিন্নদে হায়বসি মোনিটর তৌনবগীদমক্তা য়ুএন ওফিসকী মপানদা মিনিষ্ট্রি অসিগী পার্সনেলশিং দিপ্লোই তৌগনি হায়নসু ষ্টেটমেন্ট অদুদা পনখি।

খামা প্রেসকী রিপোর্টনা হায়, করিগুম্বা নুপী ষ্টাফর অমা মশাদা হিজাব য়াওরমদবা তারবদি মখোয়না মঙোন্দা মদু তঙাই ফদে হায়না খঙহনবগা লোয়ননা শোয়দনা শীজিন্নবা নোল্লুক্না হায়গনি।

মদুগী মথক্তা য়ুএন ওফিসকী মপানদা মিনিষ্ট্রি অসিনা নুপীশিংবু হিজাব শীজিন্নবা খঙহনবা পোষ্টর অমসু থমখ্রে। হন্দক্তা তঙাই ফদনা হিজাব শীজিন্নগদবনি হায়না ওর্দর অদুনা হায়, খ্বাইদগী ফবা হিজাব মখলদি চাদ্রি নত্ত্রগা বুর্কানি।

হ্যুমেন রাইটস ৱাটচকী বিমেনস' রাইটস দিভিজনগী এসোসিএট দিরেক্তর হিদর বারনা হায়, টালিবানননা নুপীশিংগী অনৌবা দ্রেস রুলশিং অদু এদভাইসনি হায়না ক্লেম তৌরবসু মখোয়না য়ুএনদা থবক তৌবা অফঘান নুপীশিং য়াওনা নুপী পুম্নমক্তা শোয়দনা ইনগদবা ওইনা খঙহল্লি।

টালিবানগী রুলশিং অদু লৈনা লৈনা বারনা য়ুএনএএমএদা মসিনা মখোয়গী কোলিগশিংগী সেফতি অমসুং ফ্রিদম করম্না প্রোটেক্ট তৌরগনি হায়খি।

# য়ুএসনা য়ুক্রেনগী লান য়াওহন্নবা টেরোরিষ্টশিং রিক্রুট তৌরি: রসিয়ন ইন্টিলিজেন্স




মোস্কো, মে ১৮ (এজেন্সী):

য়ুক্রেনগী লানদা য়াওহন্ন-বগীদমক্তা য়ুএসনা টেরোরিষ্টশিং কন্না রিক্রুট তৌরক্লি হায়না রসিয়াগী ফোরেন ইন্টিলিজেন্স সার্ভিস (এসভিআর) না ক্লেম তৌখ্রে।

ষ্টেটমেন্ট অমদা এসভিআরনা হায়রি, মদুদি ইন্টিলিজেন্সকী মতুং ইন্না য়ুনাইটেদ ষ্টেটসনা য়ুক্রেনগী লানদা মর্সিনরিশিং ওইনা য়াওহন্নবগীদমক রসিয়াদা অথিংবা থমখ্রবা গ্রুপ ইস্লামিক ষ্টেট (আইএস) য়াওনা মালেমগী টেরোরিষ্ট ওর্গনাইজেসনশিংগী মেম্বরশিং ফাওবা কন্না রিক্রুট তৌরি।

হিরম অসিগী মতাংদা জোর্দান অমসুং ইরাক্কী বোর্দরশিংদা নক্কনা লৈবা অল-টানফ কৌবা সিরিয়াদা লৈবা অমেরিকন মিলিটরি বেজ অমা রসিয়ন ইন্টিলিজেন্স সার্ভিসনা পনখি।

ছোর্সশিংগী মতুং ইন্না মসিগী বেজ অসিগা লোয়ননা অকোয়বা মফম অদু টেরোরিষ্ট হব মখল অমা ওনখ্রে। মফম অদুদা মতম অমত্তদা আইএস অমসুং জিহাদিষ্ট ৫০০ থম্মবা য়াই।

এসভিআরনা মখা তানা ক্লেম তৌরি মদুদি হৌখিবা থাদা সিরিয়ন কর্দশিং কন্ত্রোল তৌবা জেলশিংদগী থাদোকখিবা আইএস মিলিটেন্ট ৬০ অল-টানফতা ট্রান্সফর তৌখি। মখোয় অদু মতুং তাবদা য়ুক্রেনিয়ন টেরিটরিদা ট্রান্সফর তৌনবগীদমক্তা সিরিয়াদা লৈবা অমেরিকান মিলিটরি বেজ অসিদা ট্রান্সফর তৌখিবনি।

এসভিআরনা মখা তানা হায়রি, মদুদি অল-টানফতা ট্রেনিং কোর্স অমা চথরিঙৈ মনুংদা মিলিটেন্টশিংবু এন্টি-টেঙ্ক মিসাইল সিষ্টেমশিং, রিকোনিসন্স অমসুং ষ্ট্রাইক দ্রোনশিং, এদভান্স কম্যুনিকেসন্স অমসুং সর্ভিলেন্স ইক্বিপমেন্ট করম্না শীজিন্নগদগে হায়বগী মতাংদা ইন্সট্রক্সন পীখি।

অমরোমদা, সিরিয়ন টেরিটরি মনুং চনবা অল-টানফ বেজতা অমেরিকন ট্রুপশিং লৈরিবদু ইল্লিগেল ওই হায়না মোস্কো অমসুং দমাস্কস অনীমক্না খন্নদুনা লাক্লি হায়রি।

ইস্লামিক ষ্টেট মিলিটেন্টশিংবু মায়থীবা পীবগা লোয়ননা কর্টশিংবু প্রোটেক্সন পীরবা মতুং খক্তদা অমেরিকন ফোর্সশিং অৱাং নোংপোক থংবা সিরিয়া থাদোক্কনি হায়না মমাঙগী য়ুএস এদমিনিষ্ট্রেসন্না থাজবা পীখিবনি।

# হেজবোল্লা অমসুং মসিগী মীচংশিং লেবাননগী পার্লিয়ামেন্টদা মেজোরিটি ওইদ্রে

বৈরুট, মে ১৮ (এজেন্সী):

মীখলগী ফাইনেল রিজল্টশিং লাউথোরকখিবগা লোয়ননা লেবাননগী মিলিটেন্ট হেজবোল্লা গ্রুপ অমসুং মসিগী মীচংশিং লৈবাক অসিগী পার্লিয়ামেন্টদা মেজোরিটি ওইদ্রে। ইন্দিপেন্দেন্ট ন্যু কম্মর কয়া মীখলদা মায় পাক্লুনা মখোয়গী সিটশিং কনবা ঙমখ্রে হায়রি।

মীখলগী রিজল্ট অদুনা শেল থুমগী ক্রাইসিস অমদি লাইরবশিংগী মশিং য়ামশিল্লক্লবা লৈবাক অদুগী লৈঙাক্তা অহোংবা অমা লাক্লবা য়াই হায়বগী ইঙ্গিৎ পীরি। নোংমাইজিং নুমিত্তা পাঙথোকখিবা মীখল অদুগী অরোইবা রিজল্টশিংনা গ্রুপ অমত্তনা ময়েক শেংনা মেজোরিটি ফঙদ্রে হায়বসি উৎপগা লোয়ননা প্রো অমসুং এন্টি-হেজবোল্লা লো মেক্করশিংগী মরক্তা খায়বুং তান্নবা পার্লিয়ামেন্ট অমা উরগনি হায়বসি উৎখি। হৌজিক মীখলগী রিজল্ট অসিনা মরম ওইরগা হেজবোল্লাগী লো মেক্করশিংগী মেজোরিটি মাঙখিবা ওইরবসু এন্টি-হেজবোল্লা লো মেক্করশিংনা অনৌবা গভর্নমেন্ট অমা শেমদুনা য়াম্না মথৌ তারিবা রিফোর্মশিং পুরক্লবা হোৎনবদা অৱাবা ওইরগনি হায়রি।

হেবোল্লানা লুচিংবা কোলিসন্না মেম্বর ১২৮ গী লেজিসলেচর অদুদা সিট ৬১ দমক ফঙদুনা চহী মরিগী মমাঙদা পাঙথোকখিবা মমাঙগী মীখল অদুদগী মেম্বর তরা হন্থনা ফঙখি। মদু মরু ওইনা গ্রুপ অসিগী পোলিটিকেল পার্টনরশিংদা হন্দক্কী মীখল অসিদা মীয়ামগী সপোর্ট ফঙবা ৱাৎলকপদগীনি। তৌইগুম্বসুং পার্লিয়ামেন্টদা মেজোরিটি ওইদ্রবসু ইরান্না শৌগৎপা গ্রুপ অসিনা লেবানিষ্ট পোলিটিক্স মখা তানা কন্ত্রোল তৌরবা য়াই হায়রি।

# ওষ্ট্রেলিয়াদা অমুক হন্না ফেস্ক মাস্ক শীজিন্নবা হৌনবা মেদিকেল বোদিনা আপিল তৌখ্রে

কানবেরা, মে ১৮ (এজেন্সী):

কোভিদ ১৯ অমসুং ইনফ্লুএঞ্জাগী কেসশিং য়ামখৎলকপা ঙমদনবা মীয়াম্না তঙাই ফদনা অমুক হন্না ফেস্ক মাস্কশিং শীজিন্নবা হৌনবা য়ুমশকৈশ নুমিত্তা ওষ্ট্রেলিয়ন মেদিকেল এসোসিএসন (এএমএ) না আপিল তৌখ্রে।

এজেন্সিগী রিপোর্টনা হায়, এএমএগী ভাইস-প্রসিদেন্ট কৃষ্ট মোইনা মীয়ামদা কোভিদ ১৯ অমসুং ফ্লুনা মতম অমত্তদা চৈথেং অনী নঙহন্দুনা লৈবাক অদুগী হেল্থ সিষ্টেমদা প্রেসর চাওনা পীরগনি।

কোভিদ ১৯ গী অথিংবশিংনা ফ্লু শন্দোকপসু লাকশিনখিবগা লোয়ননা কুমজা ২০২০ অমসুং কুমজা ২০২১ অপুনবদা ওষ্ট্রেলিয়াদা ইনফ্লুএঞ্জাগী কেস ৩০,০০০ দগী হেন্না রিপোর্ট তৌখিদে। মদুগা চাংদম্নবদা কুমজা ২০১৯ দা লৈবাক অসিদা ইনফ্লুএঞ্জাগী কেস ৩০০,০০০ হেন্না রিপোর্ট তৌখিবগা লোয়ননা লায়না অসিনা মীওই ৯৫৩ শিহনখি। হৌজিক্তি লৈবাক অসিগী মফম খুদিংমক্তগী কোরোনা ভাইরসকী অথিংবশিং লৌথোকখিবগা লোয়ননা নিংথম থাদা শাথিরবা ফ্লুগী লাইচৎ লাকপা য়াই হায়না এক্সপার্টশিংনা ৱার্নিং তৌখি।

কৃষ্টনা লোকেল মেদিয়াদা হায়খি, মদুদি ওষ্ট্রেলিয়নশিংনা চহী খরগী মনুংদা অহানবা ওইনা হন্দক্কী নিংথম থা অসিদা অহানবা অশেংবা ফ্লুগী লাইচৎ থেংনরবা য়াই। মীয়াম্না মরু ওইনা ফিজিকেল দিষ্টেন্সকী কাঙলোন ইনবা ৱাগদবা মফমশিংদা ইনফেক্সন অনীমক শন্দোকপগী চাং হন্থনবা মাস্ক শীজিন্নবগী ৱাফম অসি খন্নগদবনি।

MANIPUR UNIVERSITY
CANCHIPUR - IMPHAL

/ NOTICE

Dated, the 18th May, 2022

MU/3-392/18/FCY/244 : It is hereby notified that the advertisement dated 05/05/2022 for appointment of 1 (one) Guest Faculty in the Department of Law scheduled on 19th May, 2022 has been postponed until further notice.

Sd/- David K. Zote
Joint Registrar

HL-B/7651/19

GOVERNMENT OF MANIPUR
DIRECTORATE OF SOCIAL WELFARE
(Near 2nd MR Gate, AT Line, Imphal)

/ NOTIFICATION

Imphal, the 17th May, 2022

No. 7/10/2016-SW(IRCA )Pt-1 : In continuation of notification of even number dated 10/12/2021, the Department of Social Welfare, Government of Manipur invites applications from willing and eligible ccndidates for contractual engagement for 6 (six) number of Counsellor/Social Worker/Psychologist for Government run De-Addiction Centre at Sunusiphai, Bishnupur District for a period of one year, details of which are as follows:

| Sl. No. | Name of Post/Position | No. of Post | Remuneration as per FD/(PIC)'s norm (50% of 1st cell in the level of pay matrix under RoP-20I9) | Reservation | Essential Qualification and Experience |
|---|---|---|---|---|---|
| 1 | Counsellor/ Social Worker/ Psychologist | 6 | Rs. 17,700/- per month | UR-4 OBC(Meitei)-1 ST-1 | Graduate in any discipline preferably with 3 (three) years experience in the field. He/She must preferably hold a certificate of three months Training Course in De-Addiction counselling by NISD and should have knowledge of English and Manipuri. |
| | Total | 6 | | | |

**Mode of recruitment/examination:** Personal interview/walk-in-interview

**Age of Candidates:** A minimum of 18 years and not more than 38 (thirty eight) years as on 01/05/2022. Upper age limit is relaxable by 5 (five) years for ST/SC category and 3 (three) years for OBC category.

**Issue & Submission of application forms:** Interested persons having the requisite qualifications may download the prescribed application form from www.socialwelfare.mn.gov.in from 18/05/2022 to 23/05/2022. The completed application form along with requisite self-attested certificates/documents should be submitted to the Directorate of Social Welfare. Near 2nd MR Gate. AT Line, Imphal on or before 23/05/2022 on working days between 10:00 a.m. to 4:00 p.m. on cash payment of requisite fee.

**Fee:** Rs. 500/- for unreserved category and Rs. 300/- for ST/OBC.

**Documents to be submitted:** Self-attested age proof certificate (Matriculation Certificate). ST/SC/OBC Certificate, certificate in support of educational qualifications and experience should be submitted with the application form. Original certificates/documents should be brought at the time of inierview.

**Date of walk-in interview/viva-voce:** 24/05/2022. 10:00 am - 12 noon. (Candidates should report before 10:00 am)

Those who have appeared in the personal interview held on 29th April. 2022 need not apply/appear again against this notification. Such candidates will be considered on the basis of the performance in the interview already conducted.

This is issued with the approval of competent authority.

Sd/- Ngangom Uttam Singh
Director (Social Welfare), Manipur

HL-B/7648/18&19

IN THE COURT OF ASSISTANT SURVEY & SETTLEMENT OFFICER-X, MANIPUR

**Ref: Mut. Case No. 51/AS&SO/X** **Date 17/5/2022**

(1) Nongthombam Gunamani Singh S/o Late Nilamani Singh of Luwangsangbam, (2) Nongthombam Gunendro Singh S/o Late N. Angahal Singh of -do-, (3) Nongthombam Shyamananda Singh S/o N. Tomcha Singh of -do-, (4) Nongthombam Tomerjit Singh S/o N. Tomal Singh of -do-. -Petitioners

-Vrs-

Late Nongthombam Tolongou Singh S/o (L) N. Angou Singh of Luwangsangbam Maning Leikai. -O.P.

/ NOTICE

Imphal, 18/05/2022

Under Section 46(3) of MLR and LR Act 1960 গী মতুংইন্না খঙহল্লি মদুদি খুল নং 1-Luwangsangbam under patta no. 136, 246, 66, 115, 18 (old), 110 (new), dag no. 1246 & 1337 an area of .91 acre চাওবা ইঙ্খোল অসিগী পাট্টাদার নং. Nongthombam Tolongou Singh মৃত্ব ওইখ্রে। মথক্তা পল্লিবা দংকারীশিং অসিগী মমিংদা নামা পানবীরো হায়না উক্তা কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অসিনা মৃ: পাট্টাদারগী মচা, মশুশিং, মরী-মতাশিং অমসুং ইঙ্খোল অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা য়েৎপীনিংবা লৈরবদি লাক্লিবা তাং 26/5/2022 ইং, ফাওবগী মনুংদা উক্তা কোর্ট অসিদা অইবা চেনা দরখাষ্ট থারগদবনি। করিগুম্বা মথক্তা হায়রিবা তারিক অসিগী মনুংদা ওবজেক্সন তৌরদ্রবদি আইনগী মতুংইন্না কেস মখা চথরগনি। মতুংদা লাকপা আপতি কোর্ট অসিনা লৌররোই।

**Sd/- Assistant Survey & Settlement Officer-X**
Manipur

HL-P/2750/19

THE IMPHAL URBAN COOPERATIVE BANK LTD
Administrative Office, M.G. Avenue, Imphal

/ NOTICE

ইম্ফাল তাং ১৭/৫/২০২২ ইং

ইম্ফাল অরবান কোওপরেটিভ বেঙ্ককী লোন লৌবিখিবা মেম্বর লোননিশিংগী মফমদা খঙহঞ্জরি মদুদি বোর্দ ওফ দিরেক্টরগী ৱারেপ মতুংইন্না তাং ২৩/৫/২০২২ ইং দগী বেঙ্ক অসিগী কর্মীশিংনা লোন খোমগৎপগী অকনবা থবক চথবা হৌজরগনি। মরম অসিনা অরাপ্পা অমদি অনকপদা লৈবিরিবা লোন শিংবগী মতম হেল্লবা লোননিশিংনা ইশা ইশাগী শিংদোকফম থোকপা শেন্দোনশিং শিংদোকপীনবা নিংশিংজরি। লোয়ননা মতম মতমগী ওইবা পোৎচৈ, গাড়ী, ট্রেক্টরনচিংবা ফাগৎপা, দুকান থোং লোনবনচিংবগী থবক কয়াসু চংশিল্লগনি।

মরম অসিনা লোননিশিংনা ইশা ইশাগী শিংফম থোকপা লোনগী শেনফমশিং অথুবা মতমদা শিংদোকপীনবা হায়জরি।

অরোইবা ওইনা বেঙ্ককী শেন্দোন মতম চানা শিংদোকপীদুনা ইশাগী বেঙ্ক অসিবু হেন্না ফবা, মপাঙ্গল কনবা বেঙ্ক অমা ওইহনবদা তেংবাংবিয়ু।

**Sd/-** এইচ মেঘাচন্দ্র শর্ম্মা
এসিষ্টেন্ট জেনরেল মেনেজর

HL-P/2745/18/19